# বি আর আইগী মখাদা নেপাল অমসুং চাইনানা পোইন্ট তরুক্কী এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখ্রে

কাঠমান্দু, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): গভর্ণনেন্স, লেজিসলেটিব অমসুং সুপরভাইজরি প্রেক্তিসশিংগী মতাংদা একচেঞ্জ অমসুং এনগেজমেন্ট হেনগৎহন্নবা নেপাল অমসুং চাইনানা বৈজিংগী বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিএটিব (বিআরআই) কী মখাদা পোইন্ট তরুক্কী এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।



নিংথৌকাবা নুমিত্তা কাঠমান্দুদা লৈবা ফেদরেল পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংদা পাঙথোকখিবা মরু ওইবা মীৎয়েং অমদা নেপালগী পার্লিয়ামেন্ট স্পিকর সাপকোটা অমসুং ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওফ চাইনাগী এমপিসিগী চিয়ারমেন লি জাং সুনা এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনখিবনি।

এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না নাকল অনীনা অমনা অমগী লেজিসলেটিব, সুপরভাইজরি অমসুং গভর্ণনেন্স প্রেক্তিসশিংগী মতাংদা ইনফোর্মেসন একচেঞ্জ তৌনগনি।

সাপকোটানা ইনভাইট তৌবদগী চাইনিজ ওফিসল অসি নুমিৎ মরিনিগী ওফিসল খোঙচৎ অমদা কাঠমান্দুদা লৈরিবনি। মেম্বর ৬৭ কী দেলিগেসন অমা লুচিংদুনা কাঠমান্দুদা হেক থুংবগা সাপকোটা অমসুং লিনা দেলিগেসন থাক্কী ৱারী শানখি অমসুং মদুগী মতুংদা এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনখি। পার্লিয়ামেন্ট অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ু অদুদা চাইনানা প্রমোট তৌরিবা অচৌবা পান্দম লৈবা প্রোজেক্ত অমা ওইরিবা বি আর আই অসি পল্লি।

নেপাল অমসুং চাইনানা কুমজা ২০১৭ দা বি আর আই খুৎয়েক পীনখি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চহী মঙাগী মতম অসিদা হিরম অসিগা মরী লৈননা শীংথানিংঙাই ওইনা প্রোগ্রেস লৈখিদে। এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্ট অনীনা বি আর আইগী খুথাংদা য়াওনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা হিরম কয়াগী মরীশিং চেৎশিলহনবা, নাকল অনীমক্তা কান্নবা থবকশিং পায়খৎমিন্নবদা মীৎয়েং থমদুনা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি।

ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনীগী পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অচেৎপা মরীগী মতাংদা দিগ্নিটরি অনীনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা হিরম কয়াদা কো ওপরেসন পীনরিবদুবু থাগৎনবগা লোয়ননা নাকল অনীনা লৈবাক অনীমক্কী কম্মন ইন্টরেষ্ট লৈবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা খন্নখি হায়না কাঠমান্দুদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা সাপকোটাগী মায়কৈদগী নেপালনা ৱান চাইনা পোলিসিদা থাজে অমসুং বৈজিংগী মায়োক্তা নেপালগী টেরিটরিদা থবক অমত্তা তৌহল্লোই হায়না থাজবা পীখি।

লিনা নেপালগী সোভরেন্টি, নিংতম্বা অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি চাইনানা মখা তানা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখি। নেপালনা চাওখৎ খোঙথাংদা মায় ওনশিন্দুনা প্রোগ্রেস লৈহন্নবা হোৎনবদা চাইনিজ গভর্ণমেন্ট অমসুং চাইনিজ মীয়াম্না পুকচেল চাওনা শৌগৎলকপা অমদি কো ওপরেসন পীনদুনা থবক কয়া পায়খৎলিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কোভিদ পেন্দামিক মতুংদা হিমালয়ন লৈবাক অসিগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা বৈজিংগী মায়কৈদগী হান্নদগী হেন্না সপোর্ট পীরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

পেন্দামিক মনুংদা য়াল্লবা হিদাক লাংথক অমদি অতৈ মেদিকেল সপ্লাইশিং, ইক্বিপমেন্ট অমসুং ভেক্সিনশিং পীরকখিবগীদমক নেপালগী মীয়াম অমসুং গভর্ণমেন্টনা চাইনিজ গভর্ণমেন্টদা তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লিগী মায়কৈদগী মতম মতমগী মথৌ তারকপগী মতুং ইন্না মতেং পীগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

# কেনিয়াগী ফম থাদোক্লগদবা প্রসিদেন্টনা পৱার ইংনা চিক্না ট্রান্সফর তৌগনি হায়না থাজবা পীখ্রে

নাইরোবি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): মফম থাদোক্লগদবা কেনিয়াগী প্রসিদেন্ট উহুরু কেনিয়াটানা মহাক্কী মহুৎ শিল্লগদবা ৱিলিয়ম রুটোগা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পৱার ইংনা চিক্না ট্রান্সফর তৌগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।



নাইরোবিদা লৈবা ষ্টেট হাউসতা রুটোগা উন্নরবা মতুংদা লৈবাক মীয়ামদা টেলিভাইস ফ্যেরৱেল এদ্রেস পীখিবা কেনিয়াটানা হায়খি, কেনিয়াদা দিমোক্রেটিক প্রোসেস মখা তানা চেৎশিলহন্নবগী পান্দম অমগা লোয়ননা মহাক্না লৈঙাক্কী পৱার ইংনা চিক্না ট্রান্সফর তৌগনি।

ওগষ্ট ৯ দা পাঙথোকখিবা কন্না কন্টেষ্ট তৌনখিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা মায় পাকপা ঙম্বগীদমক্তা কেনিয়াটানা মহাক্কী দিপ্যুটি ৱিলিয়ম রুটোবু থাগৎখি অমদি লাক্কদৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না সিটিজন পুম্নমক্কী থৌগল তৌগদৌরিবা অদুদা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখি।

হেদ ওফ ষ্টেট ওইনা ঐহাক্না লৈবাক অমগী লিদরশিপকী ফম অসি মীয়াম্না য়াদুনা থাগৎলক্লবা মীশক্তা ইংনা চিক্না শিন্নগনি। হৌখিবা চহী তরা হেনবগী মতমদা অহোংবা চাওনা লাকখ্রবা লৈবাক অসিগী অনৌবা লিদরদা মীয়াম্না থাজবা থমদুনা অনৌবা গভর্ণমেন্টদা মপুং ফানা কো ওপরেসন পীগনি হায়বগী থাজবসু ঐঙোন্দা লৈ হায়না কেনিয়াটানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্না সেরিমোনিএল থাংশাং অমসুং কন্সটিট্যুসনগী কোপি অমা য়াওনা পৱারগী ইন্সট্রুমেন্টশিং রুটোদা শিন্নবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা চেঞ্জ ওফ গার্দ লৈরগনি হায়বসি হৌনবী মতুং ইন্না উৎলগনি।

কেনিয়াটানা হায়খি, মদুদি মহাক্কী লিচিং মখাদা লৈবাক অদু অফ্রিকাগী তরুকশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি ওইরকখি। য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা লল্লোন ইতিক্কী মরী হেন্না ফগৎহন্দুনা অমসুং মপানদগী ইনভেষ্টমেন্টশিং লাক্কদবা রেগ্যুলেটরি ইনভাইরনমেন্ট অমা শেমদুনা লৈবাক অসিবু হান্না অফ্রিকাগী ইকনোমিগী লেভেলদা ১২ শুবদা লৈরম্বদগী তরুকশুবদা হাইগৎহনখিবনি।

কেনিয়াটানা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্না চহী তরা পাল্লিঙৈ মনুংদা দিজিটেল ইকনোমি চাওখৎহনবা ঙমখি। লোয়ননা কিলোমিটর ১১,৫০০ গী অনৌবা টর্মেক লম্বী শেমগৎ শাগৎতুনা কন্নেক্টিভিটি ফগৎহনখি অমদি বিজিনেসতা খুদোংচাহনখি।

# পাক আর্মি চীফকী থবক্কী মতম মথংগী মীখল ফাওবা শাংদোক্লবা ইমরাননা প্রপোজ তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): পাকিস্টানগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সি ও এ এস) জেনরেল কমর জাবেদ বজৱাগী থবক্কী মতম মথংগী ইলেক্সন ফাওবা শাংদোক্লবা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পি টি আইগী চীফ ইমরান খাননা প্রপোজ তৌখ্রে।



প্রাইভেট টিভি চেন্নেল অমনা লৌবা ইন্টরভিয়ুদা খাননা হায়, মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমদ্রিবা ফাওবা আর্মি চীফ অমা এপোইন্ট তৌবগী মতম থিন্থগদবনি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদুনা অনৌবা মিলিটরি হেদ অদু খনগদবনি হায়না জিও ন্যুজনা খানগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

আর্মি চীফকা মরী লৈননা তোইনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগীদমক্তা ইমরান খান অসি হৌখিবা এপ্রিলদা মফম তাখিবদগী পাউচেশিংগী হেদ লাইনশিং ওইদুনা লাক্লি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফাইস্লাবাদতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙবদা পি টি আইগী চিয়ারমেন অসিনা গভর্ণমেন্টবু অপাম্বা আর্মি চীফ অমা খন্ননবা মীখলগী মতম থিন্থদুনা লৈরে হায়না মরাল শীখ্রে। লোয়ননা মরৈবাক নীংবা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ অমা লাকপা তারবদি হৌজিক লৈরিবা রুল্লরশিং মহাক্না ঙাকপীরোই হায়নসু খাননা রেল্লি অদুদা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী ফিরেপতা অহোংবা লাক্লিবা খোঙথাং অমদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী মতাংদা কোলিসন গভর্ণমেন্টগা ৱারী শান্ননবা শেম শারে হায়খি।

ইস্লামাবাদ হায় কোর্টনা কন্টেম্প ওফ কোর্ট কেস অমগা মরী লৈননা মহাকপু সেপ্টেম্বর ২২ দা হৌনবী মতুং ইন্না চার্জ তৌনবা ৱারেপ লৌখিবগী মতাংদা পল্লদুনা খাননা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা কেস অদুবু হিয়ারিং তৌরিবা মেম্বর মঙাগী বেঞ্চ অদুনা মহাকপু ৱাহে খরা হায়বা য়াহল্লবদি মহাক্না এপোলোজাইস তৌগনি।

পব্লিক রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙবদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ইস্লামাবাদকী এদিস্নেল সেসন জজ জেবা চাউধরিবু পিটিআইগী লুচিংবা সেহবাজ গিলগী রিমান্দ শাংদোকহনখিবগীদমক কিহনখিবগা মরী লৈননা কন্টেম্প ওফ কোর্ট কেস অসি মহাক্কী মায়োক্তা লৌখৎখিবনি।

# ওইল টেঙ্কর লিক ওইহন্দনবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা দোনেসনগীদমক আপিল তৌখ্রে

য়ুএন, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): য়েমেনগী সমুদ্র মপানদা খামদুনা লৈরিবা সাফের টেঙ্করনা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইবা মওংদা ইকোলোজিকেল, মেরিটাইম অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস থোকহলক্কদবশিংদগী কন্ননবা মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপদা মতেং পাঙননবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা আপিল তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হোদৈদা পোর্টকা নক্লনা খামদুনা লৈরিবা য়েংশিনবীদ্রবা ওইল ষ্টোরেজ টেঙ্কর অদুনা পীরিবা থ্রেটকী মতাংদা নুংনাংবা উৎখি অমসুং টেঙ্কর অদুগীদমক্তা য়ুএনগী ইমর্জেন্সি ওপরেসন অমা পাঙথোকপা য়ানবা মালেমগী লৈবাকশিংনা দোনেসন পীরক্লবা আপিল তৌখি।

টেঙ্কর অদু লিক ওইরক্তুনা হ্যুমেনিটরিয়ন, ইনভাইরনমেন্টেল, মেরিটাইম অমসুং ইকোনোমিক কাটাষ্ট্রোফি অমা থোরকপা থিংননবগী প্লান্ট ফন্দিং তৌননবা য়ুএনগী অতৈ মেম্বরশিং অমসুং প্রাইভেট সেক্তর দোনরশিংদা কন্ট্রিব্যুসন পীরক্লবা লোয়ননা হান্না থাজবা পীখিবা লৈবাকশিংনসু মখোয়না হায়খিবা শেনফমশিং অদু রিলিজ তৌনবা আপিল তৌখি।

কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা ফন্দিং টার্গেট য়ৌবা নুমিত্তুমক্তদা ওইল ট্রান্সফর ওপরেসন খুদক্তা হৌবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লখি। সমুদ্রদা তাউদুনা লৈরিবা টাইম বোম অদু দিফ্যুজ তৌনবগী অহানবা তাঙ্কক্কী ইমর্জেন্সি ওপরেসনদা শীজিন্ননবা দোল্লর মিলিয়ন ৮০ কন্ট্রিব্যুট তৌরক্লবা আপিল তৌখিবদা হৌজিক ফাওবদা দোল্লর মিলিয়ন ৬৪ পীরগনি হায়না লৈবাক কয়ানা য়ুএনদা থাজবা পীরক্লে হায়রি।

থাও বেরেল মিলিয়ন অমা য়াওরিবা ওইল টেঙ্কর অদু কুমজা ২০১৫ দগী য়েংশিনবীদনা লৈরক্লবনি। কুমজা ২০২০ গী মেদা ভেসেল অদুগী ইঞ্জিন রুম লিক ওইবদগী সমুদ্রগী ঈশিং চঙশিনখি। সাফের কো ওপরেসনগী দ্রাইবরশিংনা মতম খরগী ওইনা শেমজিনবদগী লিক ওইরিবদু লাকশিনবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং মদু তুংকোয়না চৎলোইদবা মওংদা শেমখিবা ওইবনা মতম খরগী মনুংদা অমুক হন্না লিক ওইরকপা য়াবগী ফিভম লৈরকপনি।

# এক্স চেক পিএম লোনা য়াদবা মওংদা সবসিদি লৌখিবগা মরী লৈননা ট্রাইএল চথখ্রে

প্রাগ, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অন্দ্রেস ভাবিস য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী সবসিদি লোনা য়াদবা মওংদা হাইহৎলম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবগা মরী লৈননা ৱায়েল চথখ্রে।



কেস অদুগী ৱাফমদি ভাবিস অমসুং মহাক্কী হান্নগী এদভাইজর জানা নাকয়োবানা চহী ১০ হেনবগী মমাঙদা কেপিটেল প্রাগ মনাক্তা ষ্টোকনেস হায়না খঙনবা কনফরেন্স সেন্টর অমা শাননবা সবসিদি ওইনা ইয়ুদগী চেক রাউন্দ মিলিয়ন ৫০ (দোল্লর মিলিয়ন ২) ফঙখি হায়বসিনি।

প্রাগকী ম্যুনিসিপাল কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিং মনুংদা ভাবিসনা অরানবা থবক থৌওং অমত্তা মহাক চেন্নবা লৈখিদে হায়খিবগা লোয়ননা কেস অদুদা পল্লিবা শেনফম অদু ইয়ুদা হনখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদু পোলিটিকেল ইথিল য়াওই হায়না য়েৎপগা লোয়ননা মহাক্না পোলিটিক্সতা চঙলবা মতুংদা মহাক্কী মায়োক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংস লৌখৎলক্লিবনি হায়না এক্সপ্লেন তৌখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌখিবা ট্রাইএল অদু মতম শাংলক্লবা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমগা মরী লৈনৈ। ইনভেষ্টিগেসন অদুদা দিফেন্দেন্টশিং অদু স্মোল অমসুং মেদিয়ম সাইজ বিজিনেসশিংগীদমক্তা কায়থোকপা ইয়ুগী ফন্দশিং লৌথোকখি হায়না মরাল শীরিবনি।

ভাবিস অমসুং নাকয়োবাবু ফাইন তৌবগা লোয়ননা সস্পেন্দেদ সেন্টেন্সশিং পীননবা প্রোজিক্যুটরশিংগী মায়কৈদগী তকশিনখি হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংদা পনখি। ভাবিস অসি হৌজিকসু পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমা ওইরিবনি।

মহাক্কী পার্টি পোপ্যুলিস এএনও (এক্সন ওফ দি সেটিসফাইদ সিটিজন্স) অসি চেম্বর ওফ দিপ্যুটিস (লৱার হাউস ওফ পার্লিয়ামেন্ট) তা মেজোরিটি ওইরিবনি। কুমজা ২০২৩ গী প্রসিদেন্সিএল মীখলদা ভাবিসপু হৌনবী মতুং ইন্না কেন্দিদেট অমা ওইনা লাউথোক্লগনি হায়না পাক শন্না থাজনবসু লৈরিবনি।

ওপিনিয়ন পোল খরনা মহাক অরিংবা কেন্দিদেট অমা ওইগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

অমরোমদা, চেক গভর্ণমেন্টনা মথংগী চহীদা ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং গ্যাসকী মমলশিংদা লিমিট থম্বগী ৱাফম নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়াখ্রে। লৈবাক অসিগী ইমুংশিংবু মার্কেটতা মমল ৱাংলক্লিবা অদুদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাখ্রবা মতুং য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা মোস্কোদা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থমখিবা মতুংদা রসিয়ানা য়ুরোপতা গ্যাস পীবা হন্থরকপদগী পৱারগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অদুদগী মীয়াম অমসুং কম্পেনিশিংবু প্রোটেক্সন পীনবগীদমক্তা য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংগুম্না চেক রিপব্লিক্সু পৱার অমসুং গ্যাসকী মমল কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপনি হায়খি।

# জর্মন পুলিসনা পেরুবিয়ন ওথোরিটিশিংগী মতেংগা লোয়ননা কোকেন টন ২.৩ ফাখ্রে

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): জর্মন পুলিসনা পেরুদগী কোকেন টন ২.৩ ফাখিবগা লোয়ননা অচৌবা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী ওর্গনাইজরনি হায়বা মীওইসু ফাগৎখ্রে হায়না ফেদরেল ক্রিমিনেল পুলিস ওফিস (বিকেএ) না ফোঙদোকখ্রে।

জর্মন পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা পেরুবিয়ন ওথোরিটিশিংগী মতেংগা লোয়ননা কোকেন স্মগ্লিংগী থবক অদু অহানবদা অথিংবা পীদনা পোৎ থাদোক থাজিনগী থবকশিং য়েংশিন্দুনা লৈখি।

দ্রগ অদু করম্বা জহাজদা পুবগে হায়বদু ওথোরিটিশিংনা হংখি। কোলোনদা লৈবা মরু ওইবা সস্পেক্টনি হায়রিবা মশাগী চহী ৫৮ শুরবা মীওই অদুদা নত্তনা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী থবক অদুদা মতেং পাঙলিবা মীওই মরিসু পেরুদগী ফাখি।

বিকেএগী ভাইস প্রসিদেন্ট মার্টিনা লিংনা হায়খি, মদুদি কোকেন সপ্লাইগী প্রেসর অসি হৌজিকসু মখা তানা কল্লি। জমর্নিদা অমদি য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংগা লোয়ননা মালেম পুম্বদা ফাগৎলিবা কোকেনগী চাং অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা লেপ্তুনা হেনগৎলকখি।

য়ুরোপতা কোকেন খ্বাইদগী য়াম্না ফাখিবা অসি কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারীদা জমর্নিগী অৱাং থংবা লমদমগী হমবর্ক পোর্টকী কষ্টমস ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফাখিবা অসিনি।

মখোয়না পরাগ্বেদগী লাকখিবা কন্টেন্নরশিংদা কোকেন টন ১৬ য়াওরম্বা থেংনখিবনি। য়ুরোপতা দ্রগ লোন্না পুশিল্লকপদা সমুদ্রগী লম্বীনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়নসু লিংনা ফোঙদোকখি।

পুলিস ওফিসল অসিনা হায়খি, মদুদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা ওর্গনাইজ তৌবা নার্কোটিক্স ট্রাফিক্কিং থেংনবা অসি হৌজিকসু মখা তানা খ্বাইদগী মীৎয়েং থম্বা থবক অমা ওইদুনা লৈরি।

# হঙ্গেরিগী টুরিজম পেন্দামিক মমাঙগী ফিভমদা হেঞ্জিল্লক্লে

বুচারেস, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): হন্দক্কী কালেনদা গেষ্ট নাইট মিলিয়ন ১৬.৪ রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা হঙ্গেরিগী টুরিজম পেন্দামিক্কী মমাঙদা লৈরম্বা ফিভমদা অমুক হঞ্জিল্লক্লে হায়না হঙ্গেরিয়ন টুরিজম এজেন্সি (এমটিয়ু) না ফোঙদোরক্লি।



এমটিয়ুগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, মসি কুমজা ২০১৯ গী কালেনগী মতমদা লৈখিবা লেভেল অদুমক্লি। হন্দক চহী খরা অসিদা দোমেষ্টিক টুরিজম হান্নগী ফিভমদগী তাথখিদবা অসি এমটিয়ুনা তরাম্না ওকই।

দোমেষ্টিক ভিজিটরশিংনা একোমোদেসন ফেসিলিটিশিংদা গেষ্ট নাইট মিলিয়ন ১০.৫ রোম রেজিষ্টর তৌদুনা কুমজা ২০১৯ গী কালেনগী মতমগী দেটাগী মতুংদগী চাদা ১২ দা হেনগৎখি। হঙ্গেরিনা কুমজা ২০২১ গী কালেনগী মতমগা চাংদম্নবদা চহী অসিগী কালেনদা ইন্টরনেসনেল ভিজিটর শরুক ২.৫ হেন্না ৱেলকম তৌবা ঙমখি হায়না এমটিয়ুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২১ দা কালেনগী থা অহুম হায়বদি জুন, জুলাই অমসুং ওগষ্টতা ফোরেন ভিজিটরশিংগী প্রপোর্সন অসি চাদা ২০ য়ৌখি।

চৈরকসিদা চহী অসিদা ফোরেন ভিজিটরশিং লাকপগী চাং চাদা ৩৬ তা হেনগৎতুনা ইন্টরনেসনেল গেষ্ট নাইট মিলিয়ন ৬ লোম ওইখি। লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা বালাটন পাৎ মখা তানা টুরিষ্টশিংনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা নম্বর ৱান পন্থুংফম ওইখি।

অপুনবা রুরেল একোমোদেসন টর্ন ওভরগী চাদা ৪১ দি পাৎ অসিবু য়েংবা লাকখিবগা মরী লৈনৈ। রুরেল এরিয়াশিংগী খ্বাইদগী চাওবা গেষ্ট প্রপোর্সনদি হঙ্গেরিয়নশিংনি। মখোয়না অপুনবা কেসশিংগী চাদা ৭৫ ওইখি। ভুদাপেষ্টতা চহী অসিগী কালেনদা অপুনবা গেষ্টশিংগী চাদা ৮৩ দি ফোরেন টুরিষ্টশিং ওইখি।

ভুদাপেষ্টতা কোয়বা লাকখিবা টুরিষ্টমশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাকশিংদি য়ুকে, জমর্নি, য়ুএস, ইজরেল, ইটালি অমসুং নেদরলেন্সনি। কালেনগী থা অহুমগী মতমদা হোটেলগী কা ওক্যুপেন্সিগী চাং অসি নেসনেল টুরিষ্টশিংনা চাদা ৬০ নি হায়নসু এম টি য়ুনা ফোঙদোকখি।

# য়ুক্রেননা রসিয়াদগী স্কৱার কিমি ৬০০০ গী লম লিবরেট তৌখ্রে

কিভ, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): থা অসিগী অহৌবা শরুক্তগী য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা রসিয়ন ফোর্সশিংদগী লানগী চৈথেং নঙলবা লৈবাক অদুগী লম স্কৱার কিলোমিটর ৬০০০ হেন্না লিবরেট তৌরে হায়না প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও এদ্রেস অমদা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি সেপ্টেম্বর থা হৌবদগী ঐখোয়গী ৱারিয়রশিংনা নোংপোক অমসুং খা থংবা শরুক্কী লমদগী য়ুক্রেনগী লম স্কৱার কিলোমিটর ৬০০০ হেন্না লিবরেট তৌখ্রে। ঐখোয়গী ট্রুপশিং মখা তানা চঙশিল্লি। নোংপোকলোমদা লান কন্না শোক্লরুবদগী ফিভম ফগৎলক্তুনা খা থংবা ফ্রন্টতা থৌনা অমসুং কনফিদেন্স লৈনা চঙশিল্লিবা ৫৭ শুবা সেপরেট মোটোরাইজ ইনফেন্টরি বৃগেটপু থাগৎখি।

মহাক্না মখা তারদুনা খুদোংচাদবা কয়া লৈদুনসু রসিয়ন ফোর্সশিং থেংননবা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা ৫৭ শুবা সেপরেট মোটোরাইজ ইনফেন্টরি বৃগেট অমদি সেটলমেন্ট কয়া লিবরেট তৌবগা লোয়ননা রসিয়ন ট্রুপশিংগী লিমিট কয়া মপুং ফানা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা ১২৮ শুবা সেপরেট মাউন্টেন এসোল্ট বৃগেটপুসু মহাক্না থাগৎখি। য়ুক্রেনগী এন্টি-এয়রক্রাফট দিফেন্স ফোর্সপুসু প্রসিদেন্ট অসিনা থাগৎখি। অদুম ওইনমক করম্বা সিটিশিং অমদি ভিলেজশিং লিবরেট তৌরবগে হায়বদুদি মহাক্না পনখিদে। রসিয়ানা পায়শিনখিবা লমশিং অমুক হন্না হন্দাক্লবা য়ুক্রেননা কাউন্টর-ওফেন্সিব অমা চথরিঙৈ মরক্তা প্রসিদেন্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# ইজরেলগী সিটিশিংদা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্বা দ্রোন পুথোকখ্রে

টেহরান, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): ইরানিয়ন আর্মিনা ইজরেলগী সিটিশিং টেল অভিব অমসুং হাইফাদা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্বা এদভান্স অনমেন এরিয়ল ভেহিকল (য়ুএভি) অমা পুথোক্লে হায়না প্রেস টিভিনা ইরানিয়ন কম্মান্দর অমনা পল্লদুনা হায়রি।



ষ্ট্রাইক তৌদ্রিঙৈ অমসুং দেজিগনেটেদ টার্গেট অদুবু থুগায়দ্রিঙৈদা ইনফোর্মেসন লৌবা ঙম্বা অরাস-২ দ্রোন অদু মরু ওইনা হাইফা অমসুং টেল অভিবতা টার্গেট তৌনবা মওংদা অখন্ননা দিজাইন তৌবনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরানিয়ন আর্মিগী গ্রাউন্দ ফোর্স কম্মান্দর কিওমার্স হেদারিনা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

অরাস-২ বু মান্নবা লৈতবা এরিএল ভেহিকল অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা হেদারিনা হায়খি, মদুদি অনমেন এরিএল ভেহিকল অসিগী কেপেবিলিটিশিং তুংদা পাঙথোরক্কদবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিংদা উৎথোক্লগনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না অরাস-১ অসি ইহান হান্না কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা দ্রোন এক্সর্সাইজ অমদা কামিকাজে অমসুং রাদরনা দিটেক তৌবা ঙম্বা য়ুএভি অমা ওইনা উবা ফঙখি। মদু মিটর ৪.৫ শাংই অমসুং মদুগী ৱিংসপেননা মিটর ৩.৫-৪ নি অমসুং মদু টার্গেট হিট তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা কিমি ১৪০০ হেন্না পাইবা ঙম্মী।

হৌখিবা ওগষ্টতা ইরানিয়ন আর্মিনা লৈবাক শীন থুংনা অচৌবা দ্রোন এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোকখিবনি।

# রসিয়াগী লানগী মেছিন লান মমাঙদা হায়নখিবশিংগা চান্নরমদ্রে

কিভ, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): সেপ্টেম্বর ৭ তগীনা ১১ ফাওবদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মিলিটরি ফোর্সশিংদা য়াওরিবা ফাইটর জেটশিং, টেঙ্কশিং অমসুং ট্রকশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মরু ওইবা মিলিটরি হার্দৱায়র পিছ ৩৩৮ অমাঙ অতা থোকখি নত্ত্রগা ফাখি হায়বসি ওপন সোর্স ইন্টেলিজেন্স ৱেবসাইট ওরিক্সনা পীবা মশিংশিংদগী খঙবা ঙমখ্রে।

য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিং অচৌবা কাউন্টর ওফেন্সিব অমা চথদুনা মোস্কোনা পায়শিনখিবা য়ুক্রেনগী লম কয়া য়াম্না থুনা হন্দোকপা ঙমখিবগা ইরোয়ননা ৱেবসাইট অসিনা রসিয়ন ফোর্সশিংগী মাঙ তাকখ্রবা মিলিটরি হার্দৱায়র অসি ফোঙলকপনি।

য়ুক্রেনিয়ন রিপোর্টশিংনা হায়রি, মদুদি পুটিনগী ট্রুপশিং থেংনবদা গাড়ী অমা হেক্তা তোংদুনা রসিয়ন বোর্দর য়ৌনবা নোংপোক্লোমদা চেনশিন্নরি। ট্রুপশিং অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা লান হৌখিবদগী মখোয়না পায়শিনখিবা লমশিংদা লৈরিবা মীচমশিংগী কারশিংদা তোংদুনা ফাওবা রসিয়ন বোর্দর তম্না চেনশিন্নখি হায়রি।

রসিয়ন ট্রুপশিং অদুনা মখোয়গী লানফমদগী বোর্দর তম্না চেনখ্রবা মতুংদা রসিয়ন ৱার মেছিনগী পিছ চা কয়া লৈরম্বা থেংনখি। পুটিননা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসননি হায়রিবা মহাক্কী ওপরেসন অদু হৌখিবদগী রসিয়ন ট্রুপশিংনা হুন্দাক্লম্লিবা মাঙ তাক্লবা মিলিটরি হার্দৱায়র পিছশিং অদুনা রসিয়ন ৱার মেছিন অসি লান হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মালেমগী অচৌবা পৱারশিংগী মনুংদা অমনি হায়খিবা অদুগা চান্নরম্বগী মওং উদ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তারি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী লানদা অমাঙ অতা কয়া নঙলিবসি য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিগা মায়োক্লরকপা মতমদা অশোনবা কয়া লৈরম্বদগীনি হায়নসু রিপোর্ট অদুনা পনখি। খাঙবা কনবা, মেথোদিকেল ওইবা অমসুং দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী নোংচুপলোমগী মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট শীজিন্নহল্লিবা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিং রসিয়ানা লম্বা তৌবা ঙমদ্রে হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি।

# মিজলস থেংনবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেট অমনা মীয়ামদা হেল্‌ঠ এলর্ট ইস্যু তৌখ্রে

সিদনি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) : কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারী মতুংদা অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াদা মিজলসকী কেস অমা থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ন্যু সাউথ ৱেলসকী ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা হেল্‌ঠ এলর্ট অমা ইস্যু তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, পেসেন্ট অদু হৌখিবা থাদা এসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈদা লায়না অসিগী ইনফেক্সন লাকখিবনি। সিদনিদা হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্কী মশাদা লায়না অসিগী লাইওংশিং ফুদোরকখি অমসুং হৌজিক মহাক হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা লৈরে।

এন এস দব্লিয়ুগী হেল্‌ঠ ওথোরিটিশিংনা পেসেন্ট অদুনা চৎলম্বা নত্ত্রগা লৈরম্বা মফম খরা মীয়ামদা খঙহনখি অমসুং হায়রিবা মফম অসিদা লৈরম্বদগী লায়না অসি লৌরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবা মীওইশিংনা সেপ্টেম্বর ২৪ ফাওবগী মনুংদা লায়না অসিগী লায়ওংশিং মশামশাদা উৎলকপ্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা খঙহনখি। মিজলস অসি য়াম্না লৌনগনবা লায়নানি। লায়না অসিগী লায়ওংশিংদা লাইহৌ হৌবা মীৎ নাবা অমসুং লোক খুবা য়াওরি। মতুং নুমিৎ হুম্নিদগীনা মরিনি ফাওবা কান্নরগা পেসেন্ট অদুগী মকোক্তগী মঙক অমদি হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা ঙাঙনা খামহৎলকপা য়াই।